ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ২৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০০২ শুবা মশীং

# অহানবা বজেট সেসন

## শেন্মীৎলোনগী শীংনবশিং মায়োক্লবা ঙমগদৌরিবরা?

*তরামাথোইশুবা* মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা বজেট সেসন লোইশিনখ্রে। নুমিৎ হুম্লিগী মীফম অসি মণিপুরদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা চূংশিন্নবা লৈঙাক লিংখ্রবা মতুং হায়বদি অনৌবা লৈঙাক্কী অহানবা বজেট সেসননি। নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চূংশিন্নবা লৈঙাক অসি থা অসিগী ১৫ দা ৱাশক লৌখি অমসুং লৈঙাক অসিগী অহানবা বজেটনা থা অসিগী ২১ দা পুথোকখি। তেল্লবা নুমিৎ ৬/৭ নিদা মপূং ফাবা বজেট পুথোকপা ঙম্লোইদবা মরম্না লুপা ক্রোর ৩,৮২৮.৩২ গী ভোট ওন একাউন্টস পুথোকখি। ভোট ওন একাউন্টকী শেনফম অসি থা ৪ শীজিন্ননবা অমসুং মখা তানা মপূং ফাবা বজেট পুথোক্লনবা পাস তৌবা শেনফমনি। থা ৪ গী শীজিন্নগদবা শেনফম অসি চাউরাকপা অমা য়েংলগা হেক্তা পুথোকপনি হায়না লৌরবসু কায়দে। ভোট ওন একাউন্টকী শেনফম পুথোকপদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগীসু কা হেন্না য়েৎপা চৎনদে। লাক্কদৌরিবা শেনফম অদুদগী লৈঙাক চলাইবা য়াননবা শেনফম খরা শীজিন্নবা য়াহনবীনবা পুথোকপদুবু ভোট ওন একাউন্ট হায়রগা খঙনৈ। মথং শেনবা চহী ২০১৭-১৮ গী ভোট ওন একাউন্ট অমসুং বজেট ইষ্টিমেট পুথোকপদুদা চীফ মিনিষ্টরনা বজেট অসি টেন্টেটিব বজেটনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা মীৎয়েং থমগদবা ৱারম খরসু হাউসতা ফোঙদোকখি। মহাক্লা অহানবা মীৎয়েং চঙগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱারমশিং অদুদি মহাক্কী লৈঙাক্তা অরোন অথুপ লৈতবা অমদি তরু-তরুবা লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনগনি। মফমগী ফীভমনা মরম ওইদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শোত্থহৌবশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেল থাদগনি। মহৈ-মশিনদা থোং মান্ননা অমদি মতিক ময়াই লৈনা ফংহনবা, অফবা হকশেলগী মচাকশিং ফংহনবা, থক্লনবা অফবা টৌটিগী ঈশিং ফংহনবা, দিষ্ট্রিক্ট মনুং অমদি দিষ্ট্রিক্ট অমগা অমগা হেন্না শম্নহনবা, মণিপুরগী ইকো টুরিজম মপাঙ্গল কনখৎহনবা, হায়ৱেশিং ঙাক শেনবদা মপাঙ্গল কনখৎহনবনচিংবদা মীৎয়েং থমগনি অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামদা থবক ফংহনবগী চাং হেনগৎহনবা অমদি মশাগী ওইবা শিনফম লিংখৎপগী মওম হেনগৎহনবা হায়বনচিংবসু য়াওরি।

অতেনবা মতমগী মনুংদা নংহৌররোই মতাগুম হাথু-হাথুনা পুথোরকপা ওইবনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক করি থবক তৌগদৌরিবগে হায়বগী চপ চাবা মমি অমত্তা হন্দক্কী বজেট ইষ্টিমেট অমসুং ভোট ওন একাউন্টকী শেনফমশিং অসিদা তাদে। পুথোক্লিবা ভোট ওন একাউন্টকী শেনফম অসিসু মথং শেনবা চহী ২০১৭-১৮ গী অহানবা থা ৪ গী মনুংদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদবা এক্সপেন্দিচরশিং অদুখক্তনি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী করি তৌগদৌরিবগে হায়বদুদি লাক্লিবা জুন নৎত্রগা জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট মীফমদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। হৌজিক্কী ওইনদি বজেট অসিগী মতাংদা করিমত্তা মোত পীবা চুমখিরোই। অদুবু ঐখোয়না নৈনবা য়াবা ৱাফম খরদি মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি মশাগী রিছোর্স লৈজদবা, সেন্টরদা ঙারগা হিংলিবনি। শাংলবা চহী কয়া অমা লৈঙাক পায়রম্বশিংনা মশাগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎননবা হোৎনরম্বা লৈতে। অশাংবা অমসুং অতেনবা থৌশিলগী মখাদা তৌফম থোকপা থবক কয়ামরুম তৌবগী মহুত্তা মতম-মতমগী পাংননবা থবক তৌদুনা লাকখি। চহী খুদিংগী পুথোরকপা বজেটসু অদুমঙাই। লাক্কনি হায়না পাবা শেনফমশি মাঙজৌননা কায়থোক্লগা শীজিন্ননবা অয়াবা লৌবা ওইনা তৌই। মরম অদুনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভম মখোঙ চেৎননবা শেমগৎপা হায়বসি তঙাইফদে। ষ্টেট অসিনা কয়ামুক য়াম্না শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবগে হায়ববু মশাগী রিছোর্স লৈতবনা মরম ওইরদুনা সেন্ট্রেলি স্পোন্সর স্কিমশিংদা ষ্টেটকী স্যের পুথোকপা ঙমদবদগী স্কিম কয়ামরুম মতম চানা থবক তৌবা ঙমদবগী ফীভম লৈরিবনি। মণিপুরদা সেন্ট্রেলি স্পোন্সর স্কিমশিংগী ওইনা চাদা ১০ গী চাংদা ষ্টেটকী স্যের ওইনা পুথোকপদতা চহী ১ দা লুপা ক্রোর ১,৭০০ লোম চৎলি। য়ামখ্রবা শেনফমশিং অসি পুথোক্লিংঙাই লৈতবা মরম্না অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম থাদরকখ্রবা তুংদা অনীশুবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম থারক্তবা য়াম্না য়াওখি। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক হৌজকমকসু অহানবা ফেজগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীখ্রবা ফাওবা অনীশুবা ফেজগী শেনফম থাদোরক্তবা য়াওরি। অসুম্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু থোং মান্নবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম অমা লৈহন্ননবা হোৎনবগী মমি তাদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মথংগী বজেট সেসনদা বি জে পিগী চূংশিন্নবা লৈঙাক্লা পুথোক্কদৌরিবা বজেট অদু করম্বা মায়কৈদা মীয়ামবু পুগে নিংলিবগে হায়বদু হৌজিক্তগী হৌনা ৱাখল থাদরগা থবক তৌবা মতম ওইরে। মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপা হোৎনবা হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী থৌদাংনি। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি পায়খৎননবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিগী মখাদা মিনিষ্টর ওইরিবশিংসু ৱাখল চনিং তানা খন্থরগা থবক তৌহন্নিংই। মদু নৎত্রগদি মীয়ামগী তেংবাঙ লৈঙাক অসিনা কৈদৌঙৈদসু ফংবা ঙমগনি নিংদে।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## লেবর দিপার্টমেন্ট, লম্ফেলদা লৈরিবা ওফিসকী মীওইদা খঙহঞ্জবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**থবক** শুবা শিন্মীশিংগীদমক্তা লৈবিরিবা লেবর দিপার্টমেন্ট লম্ফেল ওফিসকী মীওইশিংদা করিগুম্বা ৱাহৈ মঙা তরাদং খঙহঞ্জরি মদুদি লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈদুনা থবক শুজরিবশিংগী খূৎশুমল মতম চানা হাপ্লীদ্রিবা, পীবিদ্রিবা করিগীনো? ঐখোয়দি থবক শুরগা হিংজবা মীওইশিংনি। ঐখোয়গী খূৎশুমল হাপ্লীগনি হায়দুনা থবক শুজরিবা মীওই খরদগী পৈশা লৌবা মীওই লেবর দিপার্টমেন্টতা য়াওরে। মসিনা কমদৌরিবা জাৎনো? পৈশা হাপ্লীরক্কনি হায়দুনা পৈশাদি লৌবিখ্রে অদুগা হাপ্লীরক্ত্রে। হায়রুরগা হংলুরগা সেকেন্দ ফেজদা য়াওরল্লগনি হায়না তাকপীরকই অদুগা পৈশা লৌবিখিবগীনা হাপ্লীরক্ত্রগা পৈশা লৌদবা মী ওইনা হাপ্লীবসু য়াওরে। মরুওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমা য়াওরিবদুনা খরা খিৎ হেল্লি পৈশা খোম্বা, লৌবা।

অরোইবদা, ওফিসসু মতম চানা অমত্তা কাবিদে। ময়ামগী ছুটি লৈতবদা লেবরগীদি লৈরমই। থেংনা কাবা ঙন্না কুম্বা অসিবু য়াব্রা? মণিপুরদদি য়াদবা লৈতে হায়বদুনি, লোয়না য়াই। ওফিসতা লৈরিবা মীওইশিং তলব ফংলিবনি অদুগা সাইটতা পৈশা তান্দুনা লৈবা য়াওরে। য়ারগদি অচুম্বা খরা তৌবিনবা শিন্মীশিংনা হায়র ওথোরিটিদা হায়জরি। পৈশা পায়দবা শিন্মীশিং হিংবদা ৱানরে। ঐখোয়বু হিংহনবীয়ু। মতম চানা ওফিস কাবিয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বাল অঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।
২। ‘‘তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।’’ পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
৩। ‘‘হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।’’ ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী ‘ধর্ম্ম তত্ত্ব’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। ‘অমেরিকাগী খোঙচত্তা’ লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# য়ু এন সীনা ব্লোকেদ হন্দোকখিবসি মখোয়দা কান্নব্রা নৎত্রগা কান্নদব্রা?

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

*চহী ১৫* লৈঙাক্লম্বা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লৈত্রে। য়াম্না ৱানা লৌথোকখি শাংলবা লৈঙাক অদু। অনৌবা বি জে পিনা লুচিংদুনা লৈঙাকপা গভর্ণমেন্ট অমা হৌজিক লৈরে। চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইবনা মপুন্সি শাংগদ্রা নৎত্রগা ঙস্তানা মপুন্সি লোমখিগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা অমদি লৈরি। অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা করি ওইগদগে হায়বা তম্বা ঙমদে পোলিটিক্স হায়বা থবক অসিদদি। মার্চ ৪ দা তৌখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অদু তৌগদবা থা অমরোম ৱাৎলিঙৈদা লমদমসিগী মকোক থোংবা পাউচে অমগী এদিটর অমনা ঐঙোন্দা ইচম চম্না হংই - হন্দক্কী মীখল অসি করম্না য়েংবি, কনানা মেজোরিটি ওইগনি, করম্বা পার্টিনা গভর্ণমেন্ট শেমগনি। ঐনা হায়খি হঙ এসেমব্লি ওইবা য়াই খল্লি। অদুবু সিঙ্গল লার্জেষ্ট মেজোরিটিদি কোংগ্রেস পার্টিনা ওইগনি খল্লি। হঙ এসেমব্লিবু ওইরবদি গভর্ণমেন্টতি বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমদি শেম্বা শোয়দ্রে। অদুগা কোংগ্রেস পার্টিদগী মচেৎ তারকপসু শোয়দ্রে হায়না ইশাগী মত ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ১৩৯ লেপ্তুনা চখরম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক পায়বা হৌবা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ু এন সীগা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা লৌথোকখ্রে। মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক অমদি থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। মদু তুং কোয়না চৎপা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বা ৱাফম অদুনা অমনি। অদুম ওইনমক মতম খরদি ব্লোকেদ লৌথোকখ্রে। মীয়ামদা খজিক্তং চনিং তানা শ্বর হোনবদি ঙম্লে। মসি ব্লোকেদ তৌবদা ৱাজরবা য়ু এন সীসুনি। মখোয়সু চনিং তানা শ্বর হোন্দোকপা ঙম্লে মতম খরদা ওইরবসু। মখোয়সু মৈথক্তা ফম্বনি মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবসিদা। চীংগী মীয়ামদগী ফংলিবা অৱাবগী ৱাকৎ কয়া, থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া, য়ামখ্রে ফংলিবা ৱাকৎ কয়া কয়ানি। চান-থক্লবা অতৈ মরু ওইবা পোৎ-চৈ কয়াগী অৱাৎপা লৈরকপগী চাংদি তম্পাক্কী লমদগী চীংগী লম্না হেল্লি। মতম অসিদদি নাগাগী দিমান্দ হায়বকা চৎনরকপা/নীংশিংবা ঙম্বা নত্তে। য়াম্না লুরিবদি দিমান্দ তৌরিবা য়ু এন সীনি। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু হন্দোকউ হায়বা দিমান্দ অদুদি ফংগদবা লৈত্রে হায়না খল্লি। মসি মীয়াম্নসু অদুম খল্লি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনসু দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা অসি ককথৎপা ঙম্লোই। মসিদা খূৎ থাবদা অকিবা ফাওগনি। য়ু এন সীসু মীওইবনি মপূক্লিংদা খন্থজরমগনি দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু হন্দোকউ হায়বসি খরা চানবা/চুশিন্নবা ৱাৎলি হায়বসি। মপান্থোংদা হন্দোকউ হায়বদুনা অতোপ্পা মওং অমনি। নাগা মরক্তসু দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেন্বসি হরাউবা য়াম্না য়াওরি। মরম অদুনা মদুবু ককথৎলু হায়দুনা কন্না দিমান্দ তৌরুবা হায়বসি য়ু এন সীগী ওইনা চাউনা মাঙজবা অমনি। মখোয়গী ইমুং মনুংদা ৱাখল মান্নদুনা তোঙান চানরকপগী ফীভম লাক্কদৌরিবনি।

অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়বগী দিমান্দদি তৌরুরে মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরদুনা। দিমান্দ পীবগী ৱাফমসু লৈত্রে অরিবা অমদি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অনীমক্লা। ব্লোকেদনা অৱাবা পীরবা মীয়ামগী খোল্লাউসু লৈখিদ্রে। তুমিন্না লৈখ্রে। মদুগী মহি-ময়াই পূন্নমক চমখ্রে। মীয়াম্না অৱাবগী খোল্লাউ লাউরিবমখৈ য়ু এন সীগী দিমান্দ অসিগী মতিক ময়াই হেনগৎলকই অমদি দিমান্দ ফংনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লকই। পূন্নমক পুমচিক চিকখ্রবা মতুংদদি ব্লোকেদ অসি করম্না লোইশিনগদগে হায়বা ফিরেপ অমা লৌবা তারক্তবা নত্তে মরুওইনা য়ু এন সীনা। ৱারী শানদুনা য়ানবা খরবুদি লৈখ্রে। মদুমক নৎত্রগদি য়ু এন সীদা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লগদৌরিবনি মরমদি দিমান্দ ফংদনা ব্লোকেদ হন্দোকপসু ঙমদা অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্নসু পোৎচৈ ফংবদা ৱারবসু ৱানা হিংবা হৈনরকপগী পুন্সি মরেল অমদা লাকখিবদগী। হন্দক সেনাপতিদা ৱারী শানবদুদা য়ানখিবা ৱাফম খরদু য়েংলুবদা য়ু এন সী ব্লোকেদ হন্দোক্লিংবগী মমি চাউনা তাবা ফংই। অদুবু করিগুম্বা য়ানচে অমদি গভর্ণমেন্টকা ইনদুনা য়াম্না লেম্না ব্লোকেদ হন্দোক্লীংবগী অপাম্বা লৈবা উবা ফংই। য়ানখিবা ৱাফমদুদা নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতু হন্দোক্লগনি নৎত্রগা ককথৎলগা হান্নগী ফীভমদুদা লৈহল্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা মখা তাবা থবক লৌখৎলগনি হায়না য়ানরে হায়বা য়াওদে। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতুগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদি করিসু অকায়বা লৈতে অদুবু কাংপোকপী অমদি জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদি ককথৎপদা গভর্ণমেন্টকা য়ু এন সীগা য়ানরে হায়বসু ইনখিবা য়ানচে অদুদা য়াওবসু থেংনদে। কাংপোকপী অমদি জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট অনীসি ককথৎনবগীদমক মথংগী ৱারী শানবদা পুখৎতুনা খন্নগনি হায়বগী মতাংদসু য়াওদে। হন্দক্কী মীটিং অদুদা পূন্নমক অসি পুখৎতুনদি খন্নরমগনি। য়ু এন সীনা পুখৎলক্কদবসি দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু ককথৎলু হায়বসিনি। অদুবু য়ানচে অদুদা য়াওরিবা ৱাফমসিনা তাকপদি ৱাফমদু খন্নজরবসু ককথৎপগী ৱাফমদি খরা লাপ্পা লৈখ্রে হায়না লৌবা য়াই। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎমক ককথৎতবা য়াদে হায়বা লৈরগদি য়ু এন সীনা ব্লোকেদ হন্দোকপা ঙম্লোই হায়দুনা শিখাং খাংদুনা লৈরমগনি। মদু হেক তৌরুবদা চীংগী লমদা মরুওইনা নাগা ফুরুপকী মরক্তা মখোয়গী মীচং ৱাৎলক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতু মথৌ তৌবা হৌদুনা মীয়াম্না কান্নবা ফংবা হৌখ্রবদুবু করম্না ককথৎকনি লন্নাই লূপ অমনা পীবা চৈথেংনা মরম ওইদুনা। মসিদি ওইথোক্তবনি শোয়দনা হায়রক্কনি গভর্ণমেন্ট খুদিংমক্লা।

মরম অদুননি মরী লৈনবা কাঙলুপ/ফুরুপ/মীওইশিংগা ৱারী শাবা হায়বা ৱারোল অমা য়ানচে অদুদা য়াওরিবসি। মরী লৈনবশিংগা ৱারী শানবা হায়বসিদা নাগা কাঙলুপকীদি য়ু এন সীনা য়ানিংদে হায়দুনা লৈরে। অদুবু নাগা কাঙলুপ হায়বসিদা য়ু এন সীখক্তনা লুচিংবা য়ারক্ত্রি হায়বদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগসু ৱারী শানদুনা মখোয় মখোয়গী মত লৌদবা য়ারোই। মসিগী মরমদি দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবদু মফমদুদা লৈরিবা মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবক গভর্ণমেন্টনা তৌবদা খুদোংচানবনি। মরম অদুনা মফম মফমদুগী মীয়ামদা নৌনা শেল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অদু ককথৎখিবদা য়ানিংলব্রা হায়না হংবা অমা চঙলক্লি। মফমদুগী মীয়ামগী ৱা তাদনা হেক্তা হন্দোক হঞ্জিন তৌবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী লৈবাক অমদা চন্ননীংঙাই ওইদে খল্লি। কুকি মীয়াম, মীতৈ কাঙলুপশিংগীসু ৱা তাদবা য়ারোই। মরী লৈনবা ষ্টেক হোলদরশিংগা ৱারী শানবা হায়বা ৱাফম অমা লৈরবনিনা। করিগুম্বা মরী লৈনবা ষ্টেক হোলদরশিংগা ৱারী শানবা তারবদি কনাগুম্বা অমত্তনা নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অদু ককথৎপা চুম্লোই শোয়দনা হায়রক্কনি। কাংপোকপী অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ককথৎপদি য়াই অদুবু লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদুদি ককথৎপদা য়ারে হায়বসু কনানসু হায়রক্লোই। ষ্টেক হোলদর পূন্নমক্লা দিষ্ট্রিক্টশিং অসি ককথৎপদা য়ানীংদ্রবসু য়ু এন সীনদি হন্দোক্তবা য়ারোই হায়রক্কনি অদুম। ৱারী শানবদু মহয় য়ানবা ঙমদ্রগদি য়ু এন সীদি ইকনমিক ব্লোকেদ অদুমক তৌরক্কনি। মখোয়গীদি য়ানীংদে হায়বা ফিরেপ অসি লেপ্তুনা অদুমক লৈগনি। অদুগা মথৌ তৌবা হৌখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অসিসু তুফক-তুফাই চন্না চন্না অদুম লৈখিগনি। য়ু এন সীগী দিমান্দ অসিনা মরম ওইদুনা চীংগী মীয়াম য়াম্না ৱাখিনি। তমগীসু য়াম্না ৱাখিনি। চীংগী মীয়ামগী হিংবগী হক য়াম্না মাঙখিনি। চীংগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা য়াম্না খুমাং চাওশিনবা ঙম্লোই দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা থিংবগী দিমান্দ অসিনা মরম ওইদুনা। হৌজিক্তি চীংগী মীয়ামসি মরোল থোক্লা থোক্লা খোঞ্জেল থোক্লা ৱা ঙাঙবা ঙমজদ্রবা গুহা মনুংগী হঙোই হায়বদু নমদুনা ওইহল্লে। মখোয় হৈবোং মনুংগী তুমিৎ হায়বদুদি ওইনীংলম্মোই ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা। চীংগী মীয়াম চাওখৎপা ঙমদনা লৈহৌগনি। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউসু অদুম লৈগনি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্টকী মথৌসু অদুমক তৌখিনি। মফমদুগী মীয়ামসু মদুগী কান্নবা খরদি অদুমক ফংগনি মখোয়গী অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী। ব্লোকেদসু অদুমক মখা চথরক্কনি। য়ানচেসু অমুক ইনগনি। য়ানচেদুগী মায়োক্তা থবক তৌনরকপসু অদুমক য়াওগনি। অদু ওইরবদি কনাদা কা হেন্না মাঙজবা হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে। থেংবু থেংমল্লে।

# অনৌবা লৈঙাকসিগী মায়থোঙ য়াল্লি


**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

*য়াওশঙগী* অবের থুংলবগুম, হন্দক্কী য়াওশঙ মনুংদা থুংলখিবা ইরমদমগী অনৌবা লৈঙাকসিগী মায়থোং, হৌজিকমক্কী ওইনদি অসুক্কী মতিক য়াল্লি। মায়ওন খুদিংমক চীত্থদনা মায় পাকহনগনি খল্লিবা লৈঙাকসিগী লীচিং পুরেলনসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না চেকশিন্না, হৌনবী কায়দনা চৎলি। তশেংনবদি, লৈঙাকসিগী ষ্টেজসি মৌ অনৌবীবু ইমুংগী মীওইশিংনা অমদি লৈকায়গী মীপূম খুদিংমক্লা লুনা-চান্না তৌবীবগী তাঞ্জাদুমকসু ওইরি। তৌজরুবা খুদিংদা হৌ-হৌ, পূন্নমক্লা তেংবাঙবীবগী পোফমদুমক্লি হায়নীংই। পূন্নমকসি লোইখ্রবা মতুংদা শুপ্পগী লৈঙাকসি মথন্তনা তৌফম থোকপা মথৌ খুদিংমক মথং-মথং পাঙথোকপগী তাঞ্জা অমসু লাকখিনি। তাঞ্জাদুদনি, মণিপুরগী মীয়াম খুদিংমক্লা পাল্লিবা লৈঙাকসিগী মরমদা অফ-ফত্তা, অচুম-অরানগী ফীভম খুদিংমক ময়েক শেংনা উরক্কদৌরিসি। হৌজিকমক্কীদি, লৈঙাকসি মচীন মৈ মুবা হৌরকপদা ঙাইরি। লৈঙাকসিগী ওইবা অশেংবা অমসুং অরেপ্পা শক্তম, কনামত্তনা ময়েক শেংনা উবা ঙম্ফম থোকত্রি। অদুমকপু পূন্নমক ওইদুনসু, লমদমসিগী মীয়াম্না লৈঙাকসিবুদি অফবা অমসুং অচুম্বা খোঙথাংশিংতমক থাংবা, মীয়ামগীদমক লেপ্পবা লৈঙাক অমা হায়বদু ওইহন্নীংই। ৱাফমসি লৈঙাকসিনসু খক কাউথোকহন্নীংদে।

থোইদোক্লা হেন্না কুপশিন্না য়েংলুদ্রবসু লমদমসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসি, ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাল্লিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মক্লা লুচিংলিবা লৈঙাকনি। লমদমসিদা বি জে পি পার্টি মথন্তনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংবা ঙমহৌদবদগী মশীং য়াম্না কাহৌদবা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা খূৎশম্নরগা পূন্না শেন্মীন্নবা এল্লাইন্স লৈঙাক অমনি। লৈঙাকসি শেল্লকপগী মতাংদা মণিপুরগী মীয়াম অমদি লমদমসিগী অখণ্ড-অহৈশিং, পোলিটিকেল এনালিষ্ট কয়ামরুম্না মনুং থিৎনা নৈনখ্রে। নৈনখিবশিংদুগী পাউদম থমজবা কোল্লমসিদা ওইথোক্লোই। মরম অসিনা, লৈঙাক্কী লৈশেম ৱারীশিংদুদি পঞ্জদ্রে। অনৌবা লৈঙাকসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক ওইবনা, ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্কী মমি খরদি শোয়দনমক্কী মণিপুরদসু তাগনি। অদুম ওইনমক, ইন্দিয়াগী বি জে পিগী পোফমগা মণিপুরগী বি জে পিগী পোফমগদি অসুক্কী মতিক খেন্নৈ। ইন্দিয়াদা, অপূনবা এম পি মশীংগী শরুক ৪ গী মনুংদা ৩ লোম হেন্না ফংদুনা বি জে পিনা লৈঙাক্কীদমক অমুক হন্না লম্বানীংঙাই লৈতবা মওংদা ইন্দিয়া লৈঙাক শেমখিবনি। অদুগা মণিপুরদদি বি জে পিনা শুপ্পগী সেকেন্দ লার্জেষ্ট পার্টিখক ওইবা ঙমহৌবনি, সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) না ফংখিবনি। অদুগা কোল্লিসন লৈঙাক অমা শেল্লক্লবা হোৎনবদা বি জে পিনা মণিপুরদা অসুক্কী মতিক অচৌবা রিস্ক কয়ামুক লৌদুনা মণিপুর লৈঙাক শেল্লকখিবনি। পূন্নমকসিগী অফ-ফত্তগী মহয় কয়া হৌজিকসু লাকপা য়ারি। মণিপুরগী বি জে পিগী পোফম, হৌজিকমক্তি খরুঙ মফম চাবদা খিনবা হায়বদু ওইফাৎত্রি। তশেংনা নৈনবদা, শোয়দনমক্কী পূক্লিং লুম্বসু ঙমফাৎত্রি। মায়কৈ খুদিংমক ইওইদা ওইথোক্লকপা য়ারি।

অদুম ওইনমক, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকসি মণিপুরদা অসুক্কী মতিক লাইদে হায়না লৌবদি য়াই। এম এল এশিংসু নৌরি, লৈঙাকসু অনৌবনি, পার্টিসিসু মণিপুরদদি হন্দক্কী মতাংসিদা অনৌবগা চপ মান্নরি। মীয়াম্না খ্বাইদগী অঙকপা পোফম অমদা পীরকপা মেন্দেটসু হন্দক্কী ইলেক্সনগী রিজল্টসিনা অহানবনি। মণিপুরদা খ্বাইদগী ঙকপা পোফমদা বি জে পিনা এল্লাইন্স তৌরকপা খূৎতৌসিসু ঙক্তে হায়বা য়ারোই। হৈবু হৈরবদি, মনুং মপানগী ওইবা মিৎয়েং কয়ামরুম হন্দক্কী বি জে পিনা লুচিংবা এল্লাইন্স লৈঙাকসিদা য়েংবা য়াই। লৈঙাকসিদা মরুপনি, য়েক্লবনি হায়বা লৈতে, শাগৈ জাৎ থিদে, দিল্লি অমদি মণিপুরগী নুংদা ফাওনবা ৱাহন্থোক্লা কদায়ফাও চেৎশিন্নরিবা ঐখোয় খঙদে। মীয়াম্বু নাকল অমরোমদা মীচঙ পংখোমদা খোমজিল্লগা, লুচিংলিবা মখোয়না মায়কৈ অমরোমদগী তোঙানবা খূৎথা অমগী মহয় মীয়ামদা সর্প্রাইজ ওইনা পীগদৌরিব্রা’সু খঙদে। হৌজিকমক্তি হায়বা ঙনমনখিনি। তৌবদি হন্দক বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুরগী লৈঙাকসি তশেং তশেংনা শিংনবা অমগা লোয়ননা শোয়দনা চৎলক্কনি হায়বদি মণিপুরগী অখণ্ড অহৈশিং কয়ামরুম্নসু মাঙজৌননা ফোঙদোক্লখ্রে। করপসন লৈহল্লোইদবা, শেঞ্জা থুমজা মুত্থৎলগদবা লৈবাকসিদা মিনিষ্টরগী ফম তান্নরুবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? “হন্দক্কী মতাংসিদা বি জে পিনবু কারবদি, ঐখোয় পূন্নমক শোয়দনমক্কী ইশা-ইশাগী পোফম অমমম ওইবা য়াই, থবক্তা ওইবা য়াই”-ৱাখলসিমক্লা মাঙ থারগা শোয়হৌররোইদৌনি, থিকাদা চেঞ্জরম্বা বি জে পিগী ৱার্কর কয়ামুকসু হন্দক্তি কত্থোকপা খক্লা মথৌ ওইরনি। নোং ফুং ঙানবদগী নুমিৎ খম তাবফাও মশাগী অচিনবশিং লংথোক্তুনা, মতম মাঙনা, মথ্বায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চেল্লকখিবা, পার্টিসিগীদমক হুমাং তাখিবা মীচম-মীয়াম লাক্ষ কয়াগী কত্থোকপগী মহয়ননি ঙসি মণিপুরদা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা অনৌবা লৈবাক অমগী পুৱারী, ময়েক শেংনা নৌনা অমুক ইবা হৌহনসি খন্নরিবসি। ফৈ, পূন্নমকসিসু থাগৎফম থোকই।




অফববু উরগা অপাম্বা পোল্লক্তবা, ফজববু য়েংলগা কল্লকপা ফাওরক্তবা মী মালেমসিদা লৈরমগদ্রা? লৈবাক্কীদমক অওনবা-অহোংবা পুরকসি হায়রবদি ঐখোয় ইশাসু য়াওনা মমাঙদা জুগায়-মাধায় কয়া ওইরল্লম্বদু হন্দক্তি বাল্মিকি লোয়না ওনমিন্নবা চঙই। মমাঙদা খোঙফম কয়ারক, নারদা খক্তা শারকখ্রবসু ঙসিদি লাইনীং লম্বীদা কায়জদবা, চুম্না চৎচবা মীচমশিং ঙাক্তা ওইমিন্নবা মথৌ তাই। য়েলহৌঙৈদগী হৌনা, পুৱারীগী লামায় কয়াদা হৌজ-হৌজ তাঙ্কক কয়ারক থোক্লা লান্নরকখ্রবা ইরমদমসিগী য়েলহৌমী ঐখোয় ঙসিদি পূন্না চুমথোকমীন্নদুনা মান্নবা থাক অমদা হিংমিন্নবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। পূন্নমক পুকচেল তিংথোক্লদুনা, ইশাগী ওইজবশিং থাদোক্লদুনা কত্থোকপা তম্নফম থোকই। পূন্নমকসি ওইথোক্লবা হোৎনবদা, পাল্লিবা লৈঙাকসিগী অচৌবা মথৌদাংশিং অসুক্কী মতিক মথৌ তাই। লৈঙাক্কী লমজিং মখাদা লমদমসিগী মীয়াম পূন্নমক্লা ৱাখল ফাওদোক্লদুনা তেংবাঙননবা হোৎনগদবনি। বি জে পিনা লুচিংবা এল্লাইন্স লৈঙাক অসিগী মতিং মতম খরগী মতুংদদি শোয়দনা উবা ফংলক্কনি। অফবা ওইরকপসু ওইসনু। থোইনা হেন্না ফোঙদোক্লীংঙাই লৈতে, হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকসিগী মপুন্সি য়াম্না শেংনা নৌরি।

অরোইবদা হায়নীংবা খরদি, হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুরগী এল্লাইন্স লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা কাঙলুপ খুদিংমক্কা ৱাখল তামিন্নদুনা পূন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা কন্না লৈরিঙৈ তাঞ্জাসিদা সেন্তরদগী লাকপা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা হেক-হেক মণিপুরদা ওইরিবা বি জে পিগী ফীভমসি ইখন-খনবীদবগুম য়াম্না তোয়না, ‘হৌজিক্তি মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লৈরবনিনা...’ হায়বা ৱাহৈসি হীরম খুদিংমক্তা চিত্থহৌবা ইয়া য়াদবগুম পনবীবসি পলহন্নীংদ্রে। মরমদি হৌজিক মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এল্লাইন্স লৈঙাক অসি মণিপুরদা ইংনা চিক্লা অমসুং মতম শাংনা চৎহনসি হায়রবদি, মতম লৈবা খিবিক্তা বি জে পি, নন-বি জে পি, চাংমী-তম্মী হায়বা ৱাহৈশিংসি ঐখোয় তোয়না পন্নদবা তাই। হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরদা চাংমী-তম্মী খেন্নদবা, চাংদসু তমদসু পাংদিং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা হায়বা পান্দমসিদা অপূনবা মণিপুরীশিংনা বি জে পি/নন-বি জে পি খায়দোক্তনা পূন্না খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নরদৌনি। থৌদৌসিগী ঈচেল অমা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরসিদা চেন্থরকপগুম উরি। ঈচেলসিমক ঙসিগী মণিপুরগী অনৌবা সী এম মশামক্লসু হেন্না ময়েক শেংনা চেন্থহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অমা উবা ফংলি। ফীভমসিদা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা লুচিংবশিংনা মণিপুরদা নৌনা পাল্লক্লিবা অনৌবা এল্লাইন্স লৈঙাকসিদা অতাক-অফোংননা ৱাহৈ-লৈথেৎ কয়া অমুক পনশিনবীরম্লনু।